হুইয়েন লানপাও
Vol. 42, Issue No.352 | লৈবাকপোকপা, লমতাগী ১৩নি পানবা | অপুনবা লামায় মশিং ১২ | HUEIYEN LANPAO, | Tuesday, March 19, 2019, Imphal | www.hueiyenlanpao.com | RNI No. 40746/1978 | ₹ 4.50









# মণিপুর প্রদেশ কোংগ্রেস কম্মিটিনা ইন্দিয়ান নেস্নেল কোংগ্রেসকী প্রসিদেন্ট শ্রী রাহুল গান্ধিবু মণিপুরদা লেঙবিরকপদা হরাও তয়াম্না ওকচরি।

মীওইবগী মরক্তা খেন্নবা মিৎয়েং থমদনা,
মীপুম খুদিংমক্না ৱাত্ত-পাদনা নুংঙাইনা হিংমিন্নবনা অথোইবা মচৎনি
হায়বসিদা ঙসিসু কোংগ্রেস পার্টিনা খোঙফম চেৎনা লেপ্তুনা লাক্লি।

*ঙসিদি কাংখোং চাইরবা লৈঙাক্তা হংনিংঙি:-*

☞ ফ্রেমৱার্ক এগ্রিমেন্টনা চীংমীগা তম্মীগা হেন্না নুংশিনদনবা শীনবা নত্তনা করি মহয়বু পুরকখ্রবগে? ঙন্নোইদবা থবক্তা কৈদৌবগী চমজরবা চীংমীশিংদা ওইদবা ঙাঙলিবনো?

☞ ৭শুবা পে পীগনি হায়দুনা লৈঙাক্কী থৌমীশিংদা করিগী করেম্নবিরিবনো? লৈঙাক চলাইনবা হোৎনবদা থৌমীশিংদি করিমত্তা শরুক য়াদ্রবরা?

☞ মহৈ লোইশঙদি তুংগী অফবা য়ুম্বীরেলশিং পুথোক্লিবনি। করিগী মণিপুর তাইবঙ মহৈকোলদা ঙম্মী হায়বা মতাগুম রাজনিটিগী খুৎ থিংজিল্লিবা? অহিংদা লান্দারিবা? মহৈ তমজরিবশিংদা অকি তুজুং পোকহল্লিবা?

☞ ইন্দিয়াগী ঙমখৈ ঙাক্লিবা ঐখোয়গী খুন্নীশিংদা ইকাই খুম্নফম থোক্তবরা? ইপা ইপুনা য়ুংলম্বা শম্বল মখোঙদি মখোয়তনা খঙবনি। মখোয়গী মৱা তাবিদনা ঐখোয়না তৌনিংবতা তৌগনি হায়দনা ঐখোয়গী লম মফম খঙদনা মীঙোন্দা পীথোকপদি চুমগদ্রা?

☞ "কেন্দ্রগী লুচিংবশিংদি ঐখোয়না হায়বা তাবীয়ে!" কদায়দা তাবিরিবা? হন্দক রাজ্য সভাগী ফেব্রুৱারি ১২গী লিষ্ট ওফ বিজিনেসতা এজেন্দা নম্বর-৩ অমসুং ফেব্রুৱারি ১৩দনা এজেন্দা নম্বর-৯দা সিটিজেন্সিপ এমেন্দমেন্ট বিল অদু পাস তৌনবা হাপলকখিবদু কেন্দ্রগী লুচিংবশিং অদুনা তাবিবদগীরা? করফিয়ু থমখিবা, ইন্টরনেট থিংজিনখিবা, টিয়ার গ্যাস কাপশিন্দুনা ইমা-ইবেনশিং অশোক অপন নংহনখিবা অদু মীয়ামশিবু উৎ-ৱাইগুম খল্লিব্রা?

☞ রুক্মিনিবু ঐখোয়গীরোমদা পোকখিবরা? ঐখোয়বু ইকাইখুম্নবিরিবসি ঐখোয়গী ইপা ইপুশিংনা চেকশিন্না থম্মীরম্বা মমল য়াম্লবা নাৎ-চৎনবী অসিনা নত্তবরা? ঐখোয়গী শেংলবা ফিজোল অসি করিগী হোংহন্নবা হোৎনগদৌরিবনো?

মীয়াম মিৎকপ থোক্লসি। [illegible]॥

খোঙফম চেৎনা অমত্তা ওইনা লেপ্তুনা মাঙন-তাক্লবা হোৎনরিবশিং অসি মরূ ফংনা মুখৎলসি।
কোংগ্রেসকি অনৌবা অফবা মরা চেৎপা লৈঙাক পুরক্লসি।

পাওজেঞ্জরিবা
মণিপুর প্রদেশ কোংগ্রেস কম্মিটি

HL-B/5293/19